শরৎ চন্দ্রের

# ছবি

কলিকাতা —
বসুমতী

# ছবি



শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়

ছন্দোকচবা—

রঘুমণি শর্ম্মা

কোংবা—

শ্রীএল, গোপেশ্বর শর্মা


ব্রহ্মপুর, নহাবম।

অহানবা থুংনম—

১৯৮৭ ইং

কোপী মশীং

মমল লুপা




কংকম—

দেবলা বুক স্টোর, মসজিদ রোড।

নম্ফম—

দেবলা প্রেস, পাওনা বাজার।

# ঋাহৈ অনিদং

মুপীগী লমচং-শাজং য়েকপদা থোইদোক্লা মমিং লৈরবা সাহিত্যকার শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী "ছবি" ( Picture ) হায়বা বারী অমুনি। অসিগুম্বরা মশক নাইবা অইবা অমগী লাইরিকপু অতোপ্পা লোন্দা হন্দোকপা হায়বসিমক থোইদোক্লা অশোয়-অচাম থোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুম ওইনমক লাইরিক অসিদা পীরিবা মমল নাইত্রবা মহাশয় পামজক্লবনা হন্দোক্নবা পাম্বিরিবশিংগী মিংথেং মাংদা লাথোকচরিবনি।

হন্দোকচবা—

# অমা

ৱারী অসি মতম অহুগীনি মহুদি, মতম অহুদস্থু ব্রহ্মদেশ ইংৱাজশীগী মখা পোল্দি। মতম অহুদস্থু মখোয় মশাগী কোন্নুং লৈরি, অহুম-অথৌ লৈরি, কান্মী-নুংমী লৈরি; মতম অহুদস্থু মখোয়না মখোয়গী মরৈবাকপু মশানা শাসন তৌজরম্মী।

মন্দলেনা কোন্নুংনি, অদুবু ৱাজবংশগী অয়াম্বদি লৈবাক্কী অতোপ অতোপ্পা সহরদা চংথুনা থুন্দা-লৈতানখি।

মতৌ অম্মুম্না ওইরম্বা ম্রাই কনানো মিংথৌমচা অমা মতম কুইনগী মমাংদগী পেগুদগী ক্রোশ মঙা থারোমদা চংলগা লৈবা ইমেদিন থুঙ্গংদা লাক্কুনা লৈরখিবা।

মখোয়গী য়াম্না চাউবা বিল্ডিং, য়াম্না পাক-চাউবা বাগান, মপাল নাইদ্রবা শেল-থুম, অচৌবা জমিদারি লৈ। পূম্নমক অসিগী মপু ওইরিবা মহাক অদুবু নোংমা লাইরম্লেন্দগী কৌরক্লবা মতম অহুদা মাগী মরুপপু কৌশিল্লগা হায়রম্মী, "বা-কো,

নহাক্কী নচানুপাদা ঐগী ইচানুপী লুহোংবিরম্লিংবনি। অদুবু মতম অদু কংগ্রে। মা-শোয়ে নৈহৌরে, মহাকপু য়েংশিন-থিজিনবিয়ু।"

মসিদগী হেন্না হায়রম্বা দরকার ওই খল্লমদে। বা-কো মাগী অঙাং' ওইরিঙৈগী মরুপ্নি। নোংমা মহাক্কীস্থু মরল-মথুম য়াম্না নৈরম্মী, শুম্নগী কয়ার মন্দির শাবা অদুগা ভিক্ষু পীজ-পীথকপদা ঙসি শুপ্নদগী মহাক্কী পুন্নমক মাংজখিবদা নত্তে, মীগী মরল তোল্লবনি। অদুম ওইনমক নুপা অসিমক্তদা মহাক্কী নৈজবা পুন্নমক্কা লোয়ননা অমত্তা পোকচবী মচানুপীবু চিংনবা নৈতনা শিন্নবদা মিংকুপ অমত্তা ফাওবা খজিক্তস্থু নীংহন্নবা নৈখিদে। মরুপপু মশক খঙননবগী অস্থুক চাউবা খুদোংমক পুন্সি অসিদা কংখি।

অদুবু দায়িত্ব অসিগী পোন্নুম অদু বা-কোনা মতম শাংনা পুবা তাখিদে। মহাক্কীস্থু অসোম রাংমগী সমন খুংলয়ে অমস্থুং ঊকাই-খুম্লিংঙাই ওইরবা য়াথং অদু কোকথোংনহুনা হনুবা অদু চহি ওন্দনা মক্কম অদুগী পোংলুম পুন্নমক থাংথরমদনা মক্কম খঙদবা মাইকৈদা যাত্রা তৌগ্রে।

ধর্ম্ম চেনবা লাইরবা নুশা অসিবু খুঙ্গংগী মীশিংনা নুংশিবা, শ্রদ্ধা-ভক্তি নৈবা অহুক্কী মতিক য়াম্না থরাম্ন য়াউনা মখোয়না মহাক শিবগী উংসব পাংথোকপা হৌরম্মী।

বা-কোগী থরায় য়াউত্রবা হকচাংদা লৈ-পরেং অমসুং চন্দয়া লৈতেংহনা কাংথোলদা হিপহল্লি, অদুগা মনাক্তা শান্নখোংনবা, জগোই ঈশৈ অমসুং অচা-অথকী ঈচেল অহিং-নুংথিল নাইদনা চেন্থরি। মসিগী অমুক লোইব-থম্বা নাইরম্নোইদবা মাল্লি।

মপা কায়ন-মৈচাক্তা থল্লবা থাংজমদ্রবা ঈরাং অদুদগী ভাইহাক্কী ওইনা করিগুম্বা মওং অমদা চেন্নোক্লুনা বা-থিন অচিকপা উথোং অমদা কয়দুনা কপ্লম্মী, থঙহৌদনা চঙক্লনা হম্না য়েংথোয়কই, মা-শোয়ে মহাক্কী মতুংদা চংলক্লুনা লেপ্লম্মী।

মহাক্লা রা-লাং ভাংদনা ইন্নখি মচিনা মহাক্কী মপী তৈথোকপিরয়ে অমসুং নাকন্দা চংশিন্দুনা ফম্লগা মাগী মখুৎ য়েংতু চিংশিন্দুনা তুম্মিন তুম্মিন হায়রকই, "বাবা লৈখিদ্রে, অহবু নহাক্কী মা-শোয়ে হৌজিক ফাওবা হিংলি।"

# অনি

বা-থিন লাই যেকই। মহাক্কী অকোনবগী অয়েকপা লাই অহু হিদিঙ্গা ললোনবগী খুংথাংদা নিংথৌগী দরবারদা থাখি। নিংথৌনা লাই অহু লৌশিনখিখি অমসুং হৱাওহনা সনাখুত্তা শিন্নিবা মমল য়াম্লবা খুদোপ মনা ওইনা পীখিরকখি।

হৱাত্তবনা ম'-শোয়েগী মমিত্তগী মপী শিন্দুরকই, মহাক্না মাগী মনাক্তা লেপ্লহনা খোঞ্জেল পিক্না হায়জরকই, "বা-থিন, জগ ও। নহাক্না খ্বাইদগী অথোইবা লাইয়েকপা ওইরগনি।"

বা-থিন নোকথোরক্লে, হায়রকই, "বাবানা তোল্লম্বা মীগী শেন্দোল শিংদোকপা ওম্লবা য়াই।"

ফংকম থোকপগী মতুং ইন্না মা-শোয়েমক্না মহাক্কী অমত্তা ওাইরবা মহাজন্নি। অহুনা রা অসিদা মহাক্না খ্বাইদগী হেন্না ঈকাইবা পোকই। হায়রকই, "নহাক্না অসুম তৌহনা হন্না হন্না কোচি কোংলবদি ঐ নহাক্কী নাক্তা অমুক লাক্লরোই।"

বা-থিন তুম্মিন্না লৈখ্রে। অহুবু মীরন তোনবনা মরম ওইহনা মপাবুং মুক্তি ফংলরোই, অমুক শাথীবা অরাবগী য়াসি নিংশিংপুবদা মহাক্কী থম্মোয়-নুং 'পুম্বা নিকপগুম তৌরকই।

থা-বিজগী শুক-লোম্বা ইপক-মরক খোইদোক্লা কনশিল্লকই, থাজকী লোশাঙ্গী লাই অমা লেক্লি, তসি থুমিং চুম্না মথাই লোনখংপা কাওবা কংখিরে।

থা-শোয়ে থুমিং থুমিংগী লাকপা অহওয়া তসিন্থ লাকই। থা-থিবগী চুপকম কা, ভোইং কুম, লাইরেকশম কা— পুন্নমক মথুংখক্লা লোম্মিন-শাজিল্লি। মীনাই-মীশলদা থবক অসি শিন্নখোক্‌ন্না নীংতাইদনা নৈখোকপা মহাক্লা করিওবা মওংসন্থ ওথদে।

থাংবা খিংলোন নৈ, মহুদা থা-থিবগী মনি তাম্বি। থা-শোয়েনা কনা কুইরবা কাওবা মিংকম হোংদনা মহুদা লেংহৎনা লৈরকপা থম্‌হোৎনা চুংশা মণী অমা হোল্লোক্লগা হায়রকই, "থা-থিব, মহাক ঐখোয়গী মুণী ওইরবা খোক্লবদি নহাক্না নৈবাকী থাণী ওইবা কংলমগনি।"

থা-থিবা খোইকম লোমলোন তৌনা মথাই নোনখংলক্লগা হায়রকই, "করিগীনো হায়রুদনা?"

"নিংথৌনা মহাকপু লুহোংহনা সিংহাসনদা পুখংলমগনি। মহাকী থাণী থাম্বা নৈ, অহুমু অমুক হাক্লা নিংথিবা, অমুক হাক্লা শক কনবা, অমুক হাক্লা থাণি নৈবা থাইখোং অসিগুম্বা কনা থাউবগে?"

অসি হায়রগা মহাক থবক্তা মপুক্লিং চংল্লে।

অহুবু খা-খিয়া ফিংফিংলক্লে, মখংদোয়া মহাক্কা মাইহৈরেকপা তপহুন্না থৈবিদুগু মতম মহুৎতু খংলগা নাক্কি মহাক্না মখল নমক্তা তাবদী।

মতম অহুবা মহাক্না লোকুন্না হায়খিকই, "অহুবু শক হুয়ানবা যারবা লোক্লবি নশাকা অথোপা লৌকম চৌকুন কয়াসবা নিংথৌগী ওইবা ক্ষথিকাদা লাই।"

খা-লোমবোরা যাকব অসিগী কবিগুবা শাউমুদ খথাকা শীতে ; মপুক্লিংদগি অদুগ্না হায়জখকই, 'নহাক্তি হুপীগী মতৌগুম্বা লোমদি, হুপীগী মতৌগুম লৌরুদি মশোমদী মতৌগুব কাইখে— কমারো মথী মলা চৈনতে।'

শক অসিগী মকথা মহাক্না মণাবু যাম্না হয়ূনা মপুক্লিংদা থৈখি।

# অহুম্

বসন্ত হৌগৎলকপদা ইমেৎসিন খুমং অসিদা চহি খুদিংগী খোইরোক্লা চাউনা শিন্দুনা শগোল লমজেল তৌই। [illegible] [illegible] [illegible] খুমংগী মতাংদা [illegible] লমহাংবা [illegible] [illegible] [illegible]।

মা-শোয়ে ভপ্পা ভপ্পা লাক্নুবা মা-খিনগী মতুংদা লেপ্লরে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], অহুম্মা [illegible] খোঙথাং থখোল [illegible] [illegible]।

মা-শোয়েনা হায়রকই, "ঐ মৌরক্লে, হয়া অমুক্তদি য়েংলকউ।"

মা-খিয়া [illegible] [illegible] য়েংশোল্লকই, [illegible] হংলকই, "[illegible]হৌদনা অমুক কে-মৌরক্লিবা কয়িগীনো?"

"এঃ, [illegible] [illegible], [illegible] ঐখোয়গী [illegible] [illegible] [illegible]! [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐখোয়[illegible] [illegible] [illegible]পৌরিবনিনে।"

"[illegible] [illegible] [illegible]!" [illegible] মা-খিয়া [illegible] [illegible] অমুক হয়া থাক্লংকদবগী তৌরকই, [illegible] [illegible] [illegible]

কোল্লহ্না হায়রকই, "তাদবা— নত্তে নত্তে। অহুবু মহাক থৌগংলগেনি— কয়া কুইনা অমুক শহ্খিনগদৌরিবনো?"

মথোয় অনি অসি চাউরাক্না চহি লোজানি— বা-খিরা বা অনি-অহুম হন্নবহ্ মাই, অহুবু অঙাং ওইরিঙৈদগী থৌনা মতৌ অন্নুরমক চহি তরামাপল থৌরবনি। শাবনিরক্রে, ধবক্রে, হৈন-গুনক্রে— অহুগা হুংশিনরে।

মাংদা লৈরিবা অচৌবা খিংশেলদা মাইথোং অনি থম্ন্নুংবনা শাংগা গুলাপকী মতৌগুম মকা লাম্মী, বা-খিরা মহ্ উংদুনা হায়রকই, "মসি য়েংউ—"

মা-পোয়েনা কনা কুইনা ছুখিরা মখি অনি অহ্ পেরাইক্রবা মিংকেংনা য়েংহ্না লৈ। ইথঙ খঙথোদনা ওসি অহানবা ওইনা মহাকী মপুক্কিংদা থম্নকই, মহাকন্ হায়রা কথে। মহ্ ডিবদা নুংথংনবক্না মহাকী মখিং উইথক্রে, মাপচিক্না হায়রকই, "ঐহাক থাজগী মাইখিংগুবীনি।"

বা-খিরা অমুকন্ য়েরা নকশিরা মহাকী মাইথোং চিংশিন্নগা হায়রকই, "নত্তে, নহাক্কি থাজগী মাইখিং নত্তে— নহাক্কি কলঙ্ক শকুবীনি,— নহাক্কি থাজগী মচানবনি। অমুক্তা নিংথিবা মুক্তা য়েংউ।"

অহুবু মখিং পাংথোক্কনা থাখী থৌনা লৈখিজে, মহাক অহুম মখিং উইশিন্নুনা লৈ।

মতৌ অম্মম্মক মতম কুইনা লেললা মাই, অহুবু মুপা মুপী কাংবু মমাম অমা জগোই শাহুনা ঈশৈ শকুনা মারোক্লিবা লক্লীদা মরাও-কুমৈ অহু শরুক মাবা চংলম্মী। মা-শোয়েনা থোকম খঙদনা হৌগংতুনা লেপ্লগা হায়রকই, "চংলসি, মতম ওইরে।"

"অহুবু ঐদি চংপা ওপমা য়ারোইদৌরি মা-শোয়ে।"

"করিগীনো?"

"লাই অসি য়েকপা মুমিং মঙালদা লোইশিল্লগা পীরকনি হায়দোকত্রবনি।"

"পীত্রবদি?"

"মহাক মন্দলেদা চংত্রগনি, মরম অহুনা লাইস্থু লৌররোই, শেলস্থু পীরক্লরোই।"

শেল পল্লকপদা মা-শোয়েগী থম্মোয়দা তিং পাল্লি, ঈকাইব-ওম তৌই। শাউহুনা হায়রকই, "অহুদু অহুনি হায়হুনম্মু নহাকপু অঙ্গমা থরায় পুমাক্তা হাপতুনা থবক ওইনবা ওমজরোই।"

বা-থিমা মা অসিগী কম্বিওসা পাউখুম অমত্তা পীদে। মপাবুংনা তোল্লবা শেন্দোল নিংশিংলুবদা মহাকী মাইথোংদা ঙুংঙাইতবগী মমি পারপা তায়রে, মহু মী অমগী থিংঙেংদগী অমুক মাঙ্গোকখিদ্রে। হায়রকই, "ঐঙ্খোন্দা য়োম্মোকউ, ঐ মমল শরুক অনি পীগে।"

বা-থিন্না চিংনবা পোক্তে, নোক্লুনা হায়রকই, "অহুনু মসি কৈদৌনগদৌরিবনো ?"

মা-পোয়েনা মঙকশমদা শিরিবা মমল য়াম্লবা লিক্লাং পরেং উংলুনা হায়রকই, "মসিদা য়াউরিবা মুক্তা, রবি পূম্নমক অসি অয়েকপা লাইসিদা শিবিগনি, অহুগী মতুংদা তুম্ফম কাদা ঐগী মিংমাংদা ফক্লাংদা থেংলুনা থমগনি।"

"অহুগী মতুংদি ?"

"অহুগী মতুংদা মপুং ফাবরা থাজ থোবশা অহিংদা হাংহুনা লৈরিবা খোঙনাওদা কাওজিল্লকুনা থাবলগী ঈপোম্না মাইথোংদা য়েহুনা শাম্লরবা—"

"অহুদগীনি ?"

"অহুদগীদি নহাক মিংকপ খোক্লকুনা—"

য়া অসি লোইশিনবা ফংখিদ্রে। মখাদা মা-শোয়েগী মগ গাড়ী ভাইহুনা লৈম্নি, মহুগী গাড়ীয়ালানা খোঞ্জেল হৌনা কৌরকপা তারক্লে।

বা-থিম্না তৌফম খঙদনা হায়রকই, "মহুগী মখাদি কোম্না তারগে, হৌজিক অমুক মখা তারনু। নহাকী চংপা মতম ওইরে— থুনা চংল্লো।"

অহুম ওইনমক মতম থেংখিগদৌরে হায়বগী করিগুম্বা লাচুংবা অমত্তা মা-শোয়েগী লোনচং-শাজংতা উবা ফংদে।

মরমদি অমুক হেন্না লৈত্তানা কমথরগা মহাক্না হায়রকই, "ঐ হকচাং মুংঙাইগুবগুম তৌই, ঐ চংলরোই।"

"চংলরোইদ্রবা? হায়দোকপ্রবনি, মমাম্না নহাকপু খৌরাংনা ঙাইনরমগনি, মচু খঙ্ব্রা?"

মা-শোয়েনা কন্না মঙক হাইদুনা হায়রকই, "ঙাইজসনু। হায়দোকপ্রবা বা ঙাক্তবগী ঊকাইবা ঐ অদুক হাক্না লৈত্রে— ঐ চংলরোই।"

"হৌনদে—"

"অদুদি নহাকস্তু চংলুসি।"

"চংপা য়াররদি শোয়দনা চংকদবনি, অদুবু, মদুনি হায়দুনা ঐ হৈদমক্তা নহাকপু হায়দোকপ্রবা বা ঙাকহন্দবদি ঐ ঙম্লোই। অমুক পম্বরসু, চংলো।"

মহাক্না শকক্‌ম হজিনবা মাইথোং উবদা অদুগা ঈংনা চেংলবা থোঙ্জেল তাবদা মা-শোয়ে ফুক হৌপংগ্রে। বারোবনা মমাই ঙাংনা হায়রকই, "নহাক্না মশাদগী য়েংদুনা ঐহাকপু তাম্হোকপা পাম্লি। ঐ চংপ্রগনি, অদুবু কৈদৌঙ্গেদস্তু অমুক হন্না নহাক্কী নাক্তা লাক্লরোই।"

মিংকুপ অমগী মতুংদা বা-খিনগী মথো চেংপদু নুংশি-লাইজনা চামথোক্লুনা মহি চেলহনখ্রে, মহাক্না মাবু মনাক্তা চিংশিল্লগা নোককেং তৌনা হায়রকই, "অদুক কনবা বাশক

শরুক্ত য়া-শোয়ে— ঐ থগুই, য়ুসিংগী ছমথৈ কদি ওইরবগদবে হায়বা। অহবু অমুক খিন্নবদি চুমজে।"

য়া-শোয়েনা অমুম্ম মাইথোং মক্না থুমকই, "ঐ নাক্তবদি শেংপ-চাবদগী হৌতুনা ইরম খুদিংমক্তা নহাক্কী ওইগনবা দশা অমু ঐ থাংগুম্লোই হায়বা থম্ভহুনা ঐবু নহাক্না ক্রাংখোকপা ভম্লিবুনি।"

অসি হায়রমগা মহাক পাউথুম ডাইকবা তৌদনা খোঙথাং কম্না থাংহুনা মপালদা থোকখ্রে।

# মরি

চাউরাক্লা মুমিং মুংবা মতুংদা মা-শোয়েগী লুপা থিরবা ময়ুরপঙ্খী' কৌবা যথগাড়ী কাংজৈবুংদা থুংলবা মতম অদুদা তৌরম্লিবা মীরাম্লা নিল-থোংহনা ইরাং লাংনরকই।

মহাক মপুং-মরৈ ফারবীনি, মহাক শকহেনবীনি, মহাক মুম পান্দ্রিবীনি, অদুগা মহাক মপাল নাইদবা লন-থুমগী মবেপ্পনি। মীওইবগী যৌবন-রাজ্যদা মহাকী আসন য়াম্লা রাংই। অদুনা মকম অসিদসু য়াম্লা সম্মান লৈবা আসন অদু মহাকীদমক্তা অতয়না থনপ্পী।

ঙসি মহাক্লা লৈ পরেং য়েংহোক্কদৌরিবনি। অদুগী মতুংদা মুপীমচা অসিগী ঙকশমদা মীরাম মাংদা জয়মালা হুক্লবা চয়গদৌরিবা মীশক্তুগী লাইবক্তু জগংনা কল্লক্লিংতাই ওইবা অমত্তা ঙাইরবা পোংশকুম্মী।

নিংথিনা লৈতেংলবা শগোলগী মথক্তা ঐ মচুগী ফিজোল য়েংপা শগোল তোংবশিং থৌনা অমদি হফিং তবিংবগী ঈচেল য়ানা কাথনৈ। তবদা ঙসি সংনায়দা মখোয়গী অথিংবা কক্কিছু লৈজরোই নিংই।

অম্লম অম্লম মতম নকশিল্লক্লে, অহৃগা ওসি লাইবক চাম্বেংগদৌবিবা মীশকশিং অহ্ পম্বেং শানা লেম্লম্বে অমম্ভং ভাইলাকী মতুংদা পুং তাবগা লোম্নন-লোম্ননা শিগম্না চংগল্লা হাম্নবা ম্নাবল চংদনা শগোল থৌনম্নক্লে।

মসি অকন-অথৌবী থবক্তি, মসি লানগী শকুক অমনি।

মা-গোম্নেগী মপা-মপু পুম্নমক লাম্না শিনকম ওইম্নবনি, মহাকী মপাল-থোকগী মশক মুপী ওইজম্নবম্ভ লিংজেলদি মুপা-ওম্নী। অম ওইবা মীশক অহৃদা থম্মোম ম্নৌনা থাগৎতনবগী শক্তি মহাকী লৈতে।

অহৃনা অতোপ্পা থুঙ্গংমচা, শকথঙদবা, ঐ থাংনা ক্তোববা পাথংহ্লনা মচিনবান তনিক তনিক্না মহাক্কী ঙকশমদা লৈ-পম্বেং হুক্লবা মতম অহৃদা মথাক্না ম্নাম্না হম্নাওজবা অহ্ উবদা মুংওাইম্নাইকবা মুপীশিংগী মমিং নানা থোকই।

হম্নকপা নম্নীদা মা-গোম্নেনা মহাকপু মশাগী মনাকমক্তদা কমহেন্নি অমম্ভং হু শিবা থোক্লেলনা হাম্নম্নকই, "অদোমগীদমক্তা ঐ ম্নাম্না হুংশাথীক্নম্নবনি। অযুক্তি অম্লম্না কাওবা থনখি, অহৃক ম্নাংবা লৈপলদবু মওং অমদা কবিগুবা খুজিল-খুম্নাম্হোক্তগী কম্নাম্নদনো থুদি থিম্নবদি হায়না।"

পাথং অহ্লনা নোম্নকপা উৎতুন্না মক লুকথৈ, অহ্লবু শাথীনা মথৌবা লৈমবা অথৌবা বীর অসিগা মা-গোম্নেনা মপুক্লিংদা

ছুশোন-ঋাশোনবা, খোং-নৌরবা অমসুং হীরম থুদিংমক্তা মীরক-মীচম্বি ওইবা লাইয়েকপা অচুপা চাংদমকনবা ওমদে।

পাখং অসিগী মমিং পো-খিন কৌই। রারী শানবদগী পরিচয় থওলে, মহাকস্তু অরাংবা শাগৈনি, মহাকস্তু ইনাক-খুনবা মচানি অমসুং মখোয়মকা লাপ্নরবা মরি-মতানি।

মা-পোরেনা ওসি মী কয়াখকম মহাক্কী যুমদা লুমিদাং চাকৌরি, মখোয় অমসুং অতৈস্তু মীরাম অমা পুন্দুনা পাড়ী অচুপা লোয়নবা লাকই।

লুংঙাইবগী হবাও-মখোই কানা মখোয়না জগোই শাবদা উমূল হৌবা অমসুং খাংঙমজ্রবা ঊগৈগী চয়াংনবনা সন্ধ্যাগী অতিয়া মতম অহূদা জগোংনা শক-চু পুমগুন ওলহনগ্রে।

অকীবা কংসা রাজ্রবা মীরাম মহাক্কা মযুম মপা য়োঃকপা মতম অংহূদা ঙাইহাক্কী ওইনা মখৌ থাদোক্কুনা বা-খিন থোঙনাও মরাদা তুম্মিনা লেপতুনা লৈরে।

# মঙা

অহিংদা চাকৌবগী মরিদা মথংগী সুমিত্তা মা-শোয়েনা বা-থিন্দা হায়রকই, "ঙরাং সম্প্রাদি শুংঙাইন লেনখি। অয়াম্বনা চানবিহুনা লেংবিরকখি। ঙপ্পগী নহাক্তদি মতম শংদে হায়হুনা নহাকপু কৌহল্লত্রবনি।"

লাই অহু মহাক্না মথয়ায় থুবাক্তা হাপত্তুনা মেকপা লোই-শিন্নবা হোংবরি, মমাই নৈথোরক্তুনা হায়রকই, "য়াম্না কন্নবনি।"

অসি হায়রগা মহাক থবক্তা মপুক্লিং চংখ্রে।

ঙকপনা থম থেংহুনা মা-শোয়ে নুংবংননা কমহুনা লৈখ্রে।

মাগী বাঙাং অহুগী পোৎলুম্না মহাক্কী পুক্লি তীংথংহনখ্রে, ঙরাং বা-থিন থবক থাদোকপা য়াদবনা হয়াও-কুমৈদা শক্ক য়াবা ঙমখিদে, অহুনা ঙসি কনা কুইনা বারী শাগনি হায়না মপুক্লিংদা থজহুনা মহাক লাকখিবনি, অহুবু পুম্নমক থক-খা ওনখ্রে। ঙপ্পদগী মতোমদা চোইয়োল ওইনা খদাং চোকপমখৈ ঙাংবদি য়াই, অহুবু মহ বারী শানবদি ওইয়রোই, অহুনা মহাক চপ-মুংনা কমহুনা লৈখ্রে।

অকক্কম হজিমা খৌশাদনা ভুশিন্না নৈবিরা, য়াং-থিবগী শক্মোরগী থিংনিবা খোঙ, অহু হাংলোক্লুবা মহুংদা চংলুনগা ঙসি মা-শোয়েগী হৈনিংবা পোক্তে।

সুমিং, শুদিংগী থবক মচা-মত কয়া মহাক্না লোইশিল্লিবনি, ঙসিদি মহুশিং অহুম্মু অহুম তাহনা লৈরে— শোকলুনবগী থৌনা কৰিমত্তা মতোন্দা য়াউত্রে।

মতৌ অন্নয়া কনা কুইনা হৌত্রে, অমুক্তন্থু বা-থিনা মমাই লৈথোক্লুনা হমা কাওবা য়েংলক্তে, অমুক্তন্থু য়াহং অমত্তা কাওবা হংলক্তে। ঙরাংগী অহুক চাউবা খৌদোক্লুগী মখিদা মহাকী থম্মোয়দা থঙনিং-তানিংবা মখিক অমত্তা পোক্তবগুম থবকী চৈরক্তা চনিং তানা স্বর হোন্দোক্লবা মহাকী মতম কাওবা ফংদমাল্লে।

য়াম্না কুইরবা কাওবা বা ঙাংদনা থম্মোয় শোক্না অমম্লুং ঈকাইনা লৈক্রগা মমৈথংদা মা-শোয়েনা ফুক হৌগংলগা খোজেল পিক্না হায়রকই, "ঙসিদি চংগ্রগে।"

বা-থিনা য়েক্লিবা লাইদা অহুম মিংয়েং থমহনা হায়রকই, "য়ৌগ্রো।"

চংলমদার মতমদা মা-শোয়েনা মপুক্লিংদা মহাক্না হূপা অনিগী থম্মোয়গী মা মুন্না থঙলবগুম নিংলকই। হংসিন্না হায়না অমুক্তংদি মহাক্না অশাম্বা শোকখি হায়বম্থু য়াই, অদুবু মচিন কাংথোকলুবা ওয়ত্রে, ছুশিন্না অহুম মপালদা থোক্ত্রে।

মমুখদা চংলকপমক্তবা মা-শোয়েনা উয়ে, পো-খিন কময়হনা লৈরম্মী। থৌথিবা অহিংগী হয়াওনিংডাই ওইরবা চাক্কৌমগী-মমক্তা থাগংপা লাক্লিমনি।

অতিথিবু মা-শোয়েনা তয়াম তম্বা:া কময়ক্লে।

মূপা অহুনা অহানবদা মা-শোয়েগী ময়ন-মমুমগী মা চৌদোরকই, অহুগী মতুংদা মহাক্কী শাগৈগী রাকম, মহাক্কী মপাবুংনা মিংচং লৈরম্বগী রাকম, রাজ-দরবারদা মহাক্কী সম্মানগী রাকম— অসিগুম্বা কয়া মহাক্লা চেংনা পন্দুনা হাম্বথরকই।

পুম্নমক অসি কয়া'মা মা-শোয়েনা তাই, কয়া'মা তরং-মালংদা তাউনা লৈহৎনা মহাক্কী মনাকোংদা চংখিদে।

অহুবু মূপাহু গুপগী কন-থৌবা অমম্বুং থোইদোক্লা মথৌনা লৈবা শগোল তোংবা ওইবদা নত্তে, মহাক থোইদোক কেন্নোক্লা লৌশিং চাউই। মা-শোয়েগী মুংশুক-মুংজানবা অসি মহাক্কী মিংয়েংদগী থক নাম্বোক্তে।

মহাক্লা মন্দলেগী নিংথৌ শাগৈগী রাকম পাল্লমগা মমৈথংদা ফজব-নিংথিবগী আলোচনা হৌরকই, লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা মপুং কানা শাশিন্নহনা মুপীমচা অসিবু অতম্বনা অমম্বুং নাকোইননা মলাক্কী শক অমদি যৌবনগী ইঙ্গিত হম্না হম্না পীরকই,, মতম অহুদা মা-শোয়েগী থম্মোয়দা থোইদোক্লা ঔকাইজবা পোকই হায়বদি মাই,, অহুবু কায়কম খভদবা মুংঙ্গাইবা অমম্বুং চাউথোক-চবগী রাথল অমা পোক্লজবদি নত্তে।

অছুগা রারী শাবা লোইহনা শোৎখিন বিদায় লৌরে, মতম অহুনা ঙসি অহিংগী ওইনম্নু মহাক চাকৌবগী নিমন্ত্রণ কংখি।

অহুবু মহাক চংগ্রবা মতুংদা মহাকী বাশিংহু অমমম নিংশিংলক্লবদা মা-শোয়েনগী থম্মোয় শোম্বরক্তে অমম্বুং মৈচাক্লা থনগংলক্লে, অহুগা নিমন্ত্রণ তৌবিবগীদমক্তা য়ানিংদবা অমম্বুং শেম্মবগী ঙরথৈ নৈশিংক্রে।

মহাক্লা থুনা য়াংনা অতৈ মরূপ-মপাং খরগম্নু মীনাই থাহনা নিমন্ত্রণ ক্রোংনক্লে।

অতিথিশিং মতম চানা থুংলরে অমম্বুং নোক-খেবা, রারী-রাতাই, জগোই জৈশৈ কয়াগা লোয়ননা চাব-থকপা লোইশিনবা মতম অহু অহিং লোইশিনক্লুনা নোংঙানগারবা কুইক্লে।

রানা চোকখনা মহাক তুম্বা চংক্লে, অহুবু মমিং কক্লা অমত্তা টেইশিল্লু য়াক্রে।

অহুবু ঙক্লিবদি অসিনি মহুদি, ঙসায়মথৈ লোয়বহনা মতম অহুক শাংনা লেনখিরখিবা মহাক অহুগী মরমদা রা অমত্তম্নু মহাকী মপুক্লিংদা শুপ্লিং নিংশিংলক্তে। পুন্নমক অহু যুগ কয়া হোৎলবা লিরবা অকাউ শয়ে চনথ্রবা থৌদোক মচা অনগুম্বী— অহুয়া শিগংনৈ, অহুয়া রুস চেন্দে।

মহাক্লা শুপ্লনগী নিংশিংলিবা মহাক অহুদি ইতোপ তোপ্লা মীশক্লি, মহাকমক্তা মাগাবগী মচি অমদা অশিকপা সুম অমদা মীশক অহু হৌজিক থৌ-রা শাদনা নৈরি,— ঙসিগী মত তীরবগী অম্নুক চাউবা রাকমসি মহাকী নাকোংদা চংমনবা লম্বী মচেং অমত্তা কদায়দম্নু থিবা কংলাইবা য়াই।

## তরুক

পুক্নিগী হৈনবক্রবনি, নোংঙ্গালনবগা মাংশোরেবু নী চিং অমনা চিংহুনা পুরকই। মহাক বা-খিনগী ,মুমবা অমুক চংলক্কুনা কম্লরে।

নুংতিগী মতৌঙ্গুম ওদিম্থ থুম্বনগী "থন্থু" হায়হুনা মী ওক-মীচান কবগী ভাক্কক লোইশিন্নগা মহাক থবক্তা মপুক্নিং চংগ্রে।

অহুবু মনাক্তা কল্লবদা অতোপ্পা মীশক অমনদি ওনি অস্থমদা থল্লকই, মথৌ চেংলবা রা ভাংদনা লৈরিবা মুপা অহু ভুম্মিম্না য়াম্না থাপ্না চংথোকপ্রবগুম।

কনা কুইনা লৈরবা কাওবা মা-শোরেনা বাহৌরোক অমত্তা থিবা কংগ্রে। অহুগী মতুংদা পুক্নিংগী চম্নাংলবা কোক্লক্লহুনা হংলকই, "মহাক্কী লোইগদবা কম্না য়াম্না বাংলিবগে?"

"য়াম্না বাংলি।"

"অহুনি, হুমিং নিনি হুপ্না অসি কৈদৌহুনা লৈবগে?"

বা-খিম্না পাওখুম পীদনা চুক্কটকী উপু মতোঙ্গা লাহোক্লগা হায়রকই, "মুমী মনম্নি ঐ হৈনরে।"

মা-শোয়েনা ইঙ্গিত অসি ভাব তারে। মৈ হৌহুনা মখুৎনা চুরুট উপুহু থোক ইশ্নোকঞ্রগা হায়রকই, "ঐ অয়ুক্তা চুরুপ থক্তে— চুরুপ থক্কুনা মনম হাংকদবা থবকশু তৌদে— ঐ অত্তোন-অতাগী নিঙ্ঙোল নত্তে।"

বা-খিন্না মমাই নৈথোরক্রগা হায়রকই, "নহাক্কী ফি-রোলদা চোংলম্বস্থু য়াই, য়ুনম নপ্পী হায়বদি ঐনা হায়শিন্নবা নত্তে।"

মা-শোয়েনা নোংথাংমুক য়ানা ফুক হৌগৎলগা হায়ররকই, "নহাক অত্তোনবা মচা ওইবগী মতিক কল্লক-থনবন চাউই, অহুনা ইরাল নৈতনা ঐঙোন্দা ঈকাইবা পীরিবনি। ফরে, মহুনা ফরে, ঐগী ফি-রোল পূন্সিগী ওইনা নহাক্কী য়ুমদগী অসিদগী পুথোকঞ্রগনি।"

অসি হায়রগা মহাক পাউখুম ঙাইক্কবা তৌদনা মথোঙ গম গম থাংহুনা কা অহুদগী থোকখিগদবগী ভোৎরকই, বা-খিন্না মতুংদগী কৌহুনা অহুম অচেৎপা খোজেলনা হায়রকই, "ঐহাকপু অত্তোনবনি অহুগা কল্লক-থনবন চাউই হায়বা কনানশু কৈদৌঙৈদশু হায়খিদ্রি, নহাক্লা থঙহৌদনা নৈথা তাবা লম্বীদা নথোঙ থাঙ্গদৌরে হায়হুনা চেকশিনহনবদনি।"

মা-শোয়েনা হঞ্জিল্লক্কুনা লেপ্লগা হায়রকই, "নৈথা তাবা লম্বীদা কমদৌনা চংলিবা?"

"মহুম্মা চিংনৈ।"

"করে, চিংনহুনা অহুম লৈজরো, অহুবু মগা ওইবশিংনা আশীর্ব্বাদ পীখিবিরম্বনি, মচাগীদমক্তা! অভিশাপ থনম্বা নত্তে, নহাক্কা ঐহাক্কা থম্মোয় তীয়ররোই।"

অসি হায়রম্লগা মহাক চংখ্রে, অহুবু বা-খিন চপ যুংনা কমহুনা লৈখ্রে।

কনানা কয়িগুম্বা মতমগীবু ওইরবস্তু কনাদস্থ মতৌ অম্মুম্বা থম্মোয়দা যুহনবা ঙমগনি, অম্মুক মুংশিববু নোংমগুদা অম্মুক শাথীবা হু ওইহনবা ঙমগনি হায়র্বসি মহাক্কা থনবদা লাম্বা ফংলমদে।

মা-শোয়েনা মযুম চংলকপদা উয়ে, পো-খিন কমহুনা লৈরি। মহাক্কা তৌকম খঙদনা হৌগংভুনা লেপ্লগা থোইদোক্কা থুম্বা মীনোক্কা নোকফেং তৌরকই।

মীনোক অহু উবদা মা-শোয়েগী পীগুম অনি অহু খঙহৌদনা গুকখ্রে। হায়রকই, "অদোমগী থোইদোকপা দরকার লৈবিব্রা?"

"নত্তে, দরকার অহুগুম্বা—"

"অহু ওইরবদি ঐগী মতম শংলম্লোই।" অসি হায়রম্লগা মনাকী সিঁড়িদা কাথংভুনা মা-শোয়ে মথক্কা কাথংখ্রে। হৌখিবা অহিংগী রা নিংশিংলুবদা মুপা অহু তশেংনা মদুদ্ধি চময়খ্রে।

অহুবু মীনাই মমাংদা লাকপা উবদা কংনোক নোকপগা লোবননা মাগী মথুংতা লুপা অমা পীরম্লগা মহাক হুই থোংহুনা থোকখ্রে।

# তরেৎ

অঙাং ঙইরিঙৈদগী হৌনা মখোয় অনি করিগুম্বদম্তু থিংকুপ অমত্তা কাওবা থানরক্লবনি, নিয়তীগী থৌশিলনা ঙসি থা অমা হেন্না হৌগ্রে, কনাগম্তু কনাম্তু উন্নখিদ্রে।

মা-শোয়েনা মসি কায়রুনা মশাবু থঙহঞ্জনবা হোংনরকই, মসি মওং অমদা করবনি মহুদি, গুমকংপগী লাংদা অম্মুক কুইবসি মহাক চেংনা থুরকপম্বা পঙথহুনা লৈকরবনি, মহু মতং মতং তংগ্রে। মহাক্কা মরি গুপ্লে লৈদ্রে।

ঈনাক-খুনবগী মচা-নিঙোল অসিনা মনীংতম্বা কয়া শামকখি-বদা মপাবুং লৈরিবৈ মতমদম্তু হৌজ থেঙ্খাং কয়ারক অসিগুম্বা কয়া ঙইখি মহুদি, রা ঙাংগন্দবা অমম্তুং পুকচেল চেংপা বা-থিম্না শাউরক্তদ্রা কীজবতনা অথিংবা ওইখিবা।

অহুবু ঙসিদি মহাক মনীংতম্বর্বানি। তশেংনা মশানা মপু ওইরবনি। রাঙ্কম অসিমক মহাক্না মপুক্লিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন থক্লকই, অকায়-অতোয় য়াম্না থোকপ্রে, অহুবু নোংমত্তা ফাওবা করিগুম্বদম্তু মশাগী থম্মোয়গী থুপ্লবা লৈকোয়্ংশী থোঙ হাংদোক্লুনা য়েংলুদে, মফম অহুদা করি লৈবগে হায়বা। চেংলথদি উরম-শরবনি, অম্মুক কুইবসি গুপ্নদগী মহাক মায়ানা মশামকপু

লৌনমজবনি। চিক্লবা অথুপ্পা কা অহুনা অহিং-মুংখিল নাইদনা মবানি কম্মিনহুনা লৈরি— মুংশি য়ারী শাবা নত্তে— শুপ্পগী ছুশ্মিন্না কম্মিনহুনা মিংলুদগী পীৱাং শিন্থমিন্নরি।

মশাগী মপূক্সিগী থোইদোক্কা থম্মোয় পুক্তমত্রবা শক্তম অসি মহাক্কী থম্মোয়-মিংনা উক্তমদে হায়কুনমক্কি চৈত্রক অসিদা ময়ুমদা অহিং কয়াদা ঈথক-ইয়াং কৌবা থৌরম কয়াগী তাংকী অভিনয় শান্নরিবা— মাইথীবগী ঈকাইবনা মহাকপু উফুল্লক্কা তীলহন্দ্রিবা।

অহুবু ঙসিগী মুমিত্তি মত্তৌ অন্নুম্মা লেনবা পামত্রে। কম্নিগীম্মো, রাকম অহুমক তমগে।

মপোক মুমিংকী উপলক্ষদা চহি খুদিংগী মহাক্কী য়ুমদা জগোই-ঈশৈ অমম্মুং চাব-থকপগী থৌপম অমা পাংথোকই।

ঙসিদি থৌরম অহু থরমথৈ তোঙান্না ঈথক-ইয়াংগা লোয়ননা শিল-লাংলি। ইমুংগী মীনাই-মী শলদগী হৌহুনা য়ুম্নোল-কৈরোন্নবা কাওবা চংলক্কুনা য়াওরে।

অহুবু মহাক মশাদি করিমত্তা হৈনিংবা পোক্তবগুম্মী। অহুক্তগী ঙসিদি মপূক্লিংদা খল্লকই, পুম্নমক অয়েংহনি, থৌরাং 'পূম্বা কান্নদবনি।

কমদৌহুননো অম্মুক কুইবা অসি মহাক্কী থম্মোয়দা থজরম্মী, মুপা অহুম্মু সংসারগী অতৈ মীওইশুম মহাকম্মু মীনি— মহাকম্মু কম্নক-থমবনদগী নাম্থোকপা নত্তে। মহাক্কী য়ুমদা

লুংঙাই-উৎসবকী মপাল মাইদবা অদো অনৌবা থৌরাং পুম্নমক অসিগী পাউ মহাক অহূগী থিংলিবা থোঙ ফাওহনা মাগী অচিকপা কা অহু য়ৌরম্লোইদ্রা ? মহাক্কী থবক্তা করিমত্তা অপনবা থোক্লম্লোইদ্রা ?

মাগী ভুরি অহু থমহনা করিগুম্বদা মহাক চপ য়ু'না ফম্লম্বা য়াই, করিগুম্বদা পোথাফম থঙদহনা ইমুং লমম্লাইদা হঙ্গৎ হন্দা চংলম্বা য়াই, করিগুম্বদনা তুম্বা য়াদহনা মৈথক্তা হিম্লগুম থোক্লুনা অহিং চুপ্পা ওন-থোইনা মৈশা থাংলম্বা য়াই, করিগুম্বদনা অহুবু তোক্লসি পুম্নমক অহু।

কল্পনাদা লুমিং অম্নুক কুইবসি মা-শোয়েদা মওং অমগী তমথীনা লুংঙাইবা অমা ফাওরম্মী, অহুবু ঙসিদি মহাক্না থঙহৌদনা মপুক্লিংদা থম্লক্লে, করিম্নু নত্তে— করিম্নু নত্তে। মহাক্কী করিগুম্বা থবক অমত্তদা অপনবা থজিক্তা থোক্লম্লোই। পুম্নমক মীনম্বনি, পুম্নমক ফাগীনি। মহাক্না কনাবুম্নু পুনশিনবা পামদে— মশাবুম্নু পুনশিলহন্দে। অহুক শোনবা হকচাং অহু ইথঙ থঙহৌদনা কমদোহনবো ভশেংনা চীংগুম্না কনগ্রে অমম্মুং মরা চেৎগ্রে— কদায়দগী করিগুম্বা থৌদোক-য়াথোক অমত্তনা মহাকপু ে লংহনবা ঙপঙম ঙমদে।

অহুবু অহুম ওইনমক মপোক লুমিংকী থৌরম চাউনা শিন্দুনা ঈথক-ইরাংগা লোয়ননা চৎথরি, পো-থিন ঙসি মফম পুম্নমক্তা থবক পুম্নমক্তা থুংই। অসিদা নত্তে, শকথঙনবশিংগী

মরক্তা চিবোল চিবোল ঙাংনবা অমা চংথরি মতুদি, নোংমা নুপা অসিমক য়ুম অসিগী য়ুম্বুরেন ওইরগনি— অদুগা হৌখিং অদু পংকুই কুইরদবসু য়াই।

খুঙ্গংগী নুপা-নুপীশিংনা য়ুম অদু থনগ্রে—মাইকৈ মরিমক হরাও-তরাম্বনা পুম্নাং লাংলি। শুপ্নগী মহাক্কীদমক্তা অদুক শিল-লাংলিবা মীশক অদুদি ভুকক-তুকাই চন্না লৈ— মহাক্কী মাইথোংদদি হরাও-তরাম্বগী মমি তাদে।

অদুবু মমি অসি মপালগী মীওই কনাগী মমিংজদি শাক হেক উবা ফংদে— উরিবদি মতম কুইনা ইমুং অসিদা লৈরক্লবা মীনাই নুপা অমগা মীনাই নুপী অমগা মথোয় অনিদনি। অদুগা থুপচানা লৈদুনসু পুম্নমক উরিবা মহাক্ত নদি উরম্বা য়াই। শুপ্নগী মহাক্তনদি উরি, নুপীমচা অদুগী মকমদা পুম্নমক ঙসি মঙলানগুম্নি।

মপোক হুমিং অসিদা চহি খুদিংগী থ্নাইদগী মাংজিল থানা লোম্না চংলক্লগা মহাক্কী ঙকশমদা আশীর্ব্বাদকী মশক ওইরবা লৈ পরেং হুক্লবা মীশক অদুমতদি ঙসি য়াউদে, লৈ-পরেং অদু হুক্লদ্রে ; আশীর্ব্বাদ অদু ঙসিদি মরু ওইনা ফংজদ্রে।

মা-শোয়েগী মপাবুংগী মতমগী অহল অমনা চংলক্লগা হায়রকই, "নুপীমচা, কদায় মহাকপুদি উদেনা ?"

হন্নবা অদু মতম থরগী মমাংদা থবক্তগী পোথাদুনা চংপ্ররনি, মহাক্কী ময়ুমসু অতোপ্পা খুঙ্গংদনি— থাম্বুং থাম্বুংনবগী পাউ

অসি মহাক্কি খণ্ডলমমে। ওসি লাকপদা মীনাইশিংনী মকমদগী তারম্মী।

মা-পোয়েনা মুংশি হৈত্তনা হায়রকই, "মশক উবগী দরকার লৈরবদি মমুমদা চৎলো— এগী 'সিদা কম্বিগীনো ?"

"কৈ কৈ, অহুবুদি চৎলগদি।" অসি হায়রগা অহল অহু চৎখ্রে।

মহাক্কা চৎলমদায়দা মপুক্কিংদা হায়জরকই, শুপ্পগী মাবু মথল্লা উবদনদি য়ারোই— নখোম্ব অনি পূম্বা এনা উনিংই। অহু নত্রবদি অম্বুক থাপ্পা খোঙনা লাকপা অরেম্বা তারগনি।

অহুবু হমুবগী মপুক্কিংগী রা অসি তনৌম্বিবী মহাক্কী নাকোংদা চংখিদে। মহুদগী হৌনা মওং অমদা ইথক-থকংপা ফিডম্মক্কদা মহাক থবক-থৌরম খুদিংমক্কা মতম লেপ্পক্কি, খণ্ডহৌদনা পেংফাত্তবা খোজ্জেল অমা তাহনা মহাক্কা হম্মা য়েংখো-রকই — বা-খিন।

মহাক্কী মশা 'পুম্বদা নোংথাং কুপ্পগুমখ্রে ; অহুবু মিংকুপকী মম্মুংদা মশাবু ফাথজরগা মহাক মমাই লৈথোক্কুনা অতোপ্পা মফমদা চৎখ্রে।

ঙাইহাক লৈরগা হমুবা অহুনা চংলক্লগা হায়রকই, "মুপীমচা, অমবু ওইরবস্থ নহাকী অতিথিনি। রা মচেৎ অমত্তম্ব ঙাংবা য়াদত্রা ?"

"অহুবু নঙোন্দদি এম্বা কৌরুচো হায়খিদেনা !"

"মহুমক নহাক্তী অরানবনি।" অসি হায়রম্মগা হনুবা অহু চংখিগদবগী তৌরকই।

মা-শোয়েনা কৌশিল্লগা হায়রকই, "ফৈনে, ঐ নত্রবন্দু অতৈ খীদি লৈদনা, মখোয়নদি রা ভাংবা য়াইদনা?"

হনুমনা হায়রকই, "মহুবুদি য়াই, অহুবু দরকার অমুক লৈত্রে, মহাক চংত্রে।"

মা-শোয়ে কনা কুইনা চপ য়ুংনা লৈ। অহুগী মতুংদা হায়রকই, "ঐগী ইরাইবক্লনি। অহু নংলমত্রবদি নহাক্না ফাওবা মাবু পীক-পীথকখিনবা হায়বা য়াবনি।"

"য়াদে, ঐ অহুক হাক্না ঈকাই-খওদবা নত্তে। অসি হায়রম্মগা হনুবা অহু শাটনা চংত্রে।

# নিপাল

ঈকাইবা নংবা অসিদা বা-খিনগী মখিংতা মপী ঈরা চেন্নকই। অদুবু মহাক্না কনাদম্বু দোষ তৌরুদে, গুপ্তগী মশাবু হন্না হন্না চৈজরগা হায়রকই, "মসিমক চপ চাররনি। এগুন্না ঈকাইবা খঙদবগী মকমদদি মসিমক দরকার ওই।"

অদুবু দরকার ওইবা অদু মতাংসিদদ:—অহিং অদুমগী মনুংদা লোইখিদ্রে, মদুদগী হেন্না—থোইনা হেন্না শাথীনা ঈকাইথ্রা নংবা মহাকী মন্নাইবক্তা ভস্রশ্মী, মদু লুমিং নিনিগী মতুংদা খঙবা ঙমখি; অদুগা মতৌ অম্নুম তৌনা খঙখি মদুদি. ঈকাইবা অদু পুন্সি চুপ্পদা কদায়দা লোৎতুনা থমগদগে, মদুগী লৈরায় উবা কংখিদে।

রারী অসিগী রাহৌদোক ওইখিবা জাতকী গোপাগী লাই অদু অন্নক কুইররবগী তুংদা রেকপা মপুং ফারে। থা অমা হেন্না চংনা পোথাবা লৈতনা হোৎনজররকপগী ফলনা ঙসি লোই-শিল্লে। ঙসি অমুক চুপ্পা মহাক মসিগী মুংঙাইবদা তাউদুনা লৈ।

অয়েকপা লাই অদু রাজ-দরবারদা পুত্রগনি, মমল পীরন্নগা পুখিগদৌন্নিবা মহাক পাউ কংদুনা থুংলরে।

অদুবু অরেকপা লাই অদুনা খুম্মিবা পর্দা অদু হাইদোক-লুবদা মহাক চঙ্কল্লে। অরেকপা লাইগী মরমদা মহাক খোইদোক্লা থঙ-হৈবা মীশক্কি; অদুনা কুইনা মুন্না য়েংদুনা লৈরগা মরৈবংদা শাউরংনবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "লাই অসি ঐ নিংথৌদা পীরুনা চঙ্খোই।"

বা-থিল্লা কৌনা ওক্লা হুংওক-হুংজানবা হায়রকই, "করিগীনো ?"

"মতুংগী মরমদি থাইথোং অসি ঐ মশক মুন্না থঙ্ই। মীগী শক ওইনা লাই য়েক্লবসি লাইবু ঐকাইবা পীবা ওইনা থোকই। বাকম অসি থঙলকপা থোক্লবদি নিংথৌনা ঐবু হল্লা য়েংথরোই।"

অসি হায়রম্লগা মহাক্লা ওকচারনা মুন্না য়েংদুনা লৈরিবা লাইয়েকপদা থাইহাক য়েংদুনা লৈরগা মচিন উমশিনদুনা খোকখেং ত্তৌরগা হায়রকই, "পুক্লিংথম্না চংনা য়েংলবদি উথা কঙলি— মসি কমানো হায়বা। লাই অসি চংনবা য়াগরোই।"

বা-থিনগী মমিংতা কুপ্লবা মায়াগী মুথল অদু উপ্পা তপ্পা হাইদোকখ্রে।

ভদ্রলোক অদু চংশ্রবদসু মহাক মতৌ অদুম্মা অদুম মিংয়েং হোংদনা মুন্না য়েংদুনা লেপত্তুনা লৈ।

মহাকী মিংল্লুদগী পী শিন্থরক্লে, মহাক্লা থঙদবা অমুক লৈত্রে, হুমিং অমুক কুইনা মথক্তায় থুনাক্তা হাপত্তুনা

ছুমদ-চাদবনবৈ হোংনজহুনা মহাক্না থম্মোয়গী খুম্নবা লৈরোনচুংবগী কজবা মাধুর্য্য চিংথোকরকখিবা— মহ জাতকী লোপা মচে, মহ মহাকমক্কী মা-শোয়েনি।

মসী তৈথোক্লগা মহাক্না মপুক্কিংদা হায়জরকই, "হে ঈশ্বর ঐহাকপু নহাক্না মতৌ অন্নম্না খোঙোইমবিরবোইহৈরেকো— মতৌ নকমদা ঐনা কদি লংখ্রবগে!"

# মাপাল

পো-খিম্না থৌনা ক্যংলহনা হায়রকই, "নহাকপুদি ঈশ্বর কাওবনা পাম্নরিবনি মা-শোয়ে, ঐদি তাইবং মীনি।"

মা-শোয়েনা রাখল অমদা তাউহনা লৈবগী মতৌগুম হায়রকই, "অহবু পাম্বিদবা মহাক অহুদি ঈশ্বরদগীন্দ্ হেন্না চাউরবা য়াই।"

অহবু হায়দোকপ্রবা রাকম অসি মহাক্না শাংদোকলনবা অমুক পামজ্রে, হায়রকই, "দরবারদা অদোমগী মতিক-ময়াই য়াম্না লৈ হায়না তাক্লে—ঐগী থবক অমত্তং তৌবিবা ঙমগদ্রা? য়ারিবথৈ থুনা?"

পো-খিম্না খঙনিংবগা লোয়ননা হংলকই, "করিনো?"

"মী অমগী মকমদগী ঐগী শেল ক্যংনিংঙাই য়াম্না লৈ, অহবু থৌবদা থোক্কে। করিগুম্বা দলিল অমত্তা লৈতে। অদোম্না উপায় থবা তৌবিবা ঙমগদ্রা?"

"ঙমগনি। অহবু রাজ-কর্ম্মচারী অহ কনানো হায়বা নহাক্তি খঙব্রা?" অসি হায়রগা মুপাহনা নোক্লকই।

নোকপা অসিমক্তদা পাউখুমদ্দু ময়েক শেংনা য়াউই।

মা-শোয়েনা মপুক্লিং লাংতক্লনা মহাক্কী মখুং চেজেং পাম্বশিল্লগা হায়রকই, "অদু ওইরবদি উপায় অমত্তা শিনখিয়ু। ঙসিমক। ঐ নোংমা কাওবা পন্থবা পামদ্রে।"

পো-খিগ্না মঙক নোমত্থনা হায়রকই, "ফরে, মহুখক য়ারে।"

শেন্দোল অসি খোইদোক্লা করিস্থু লৈতনা, খোইদোক্লা ওইখোক্তবা ওইনা, খোইদোক্লা নোক্লিংবা য়া ওইনা লৌনরবনি মহুদি, চীরম অসিদা কনানস্থু শিংদোঁইদস্থু খনবা কাওবা খল্লুদ্রবনি। অহুবু রাজ-কর্ম্মচারগী রাদা আশা উরহুনা মা-শোয়ে মপুক্লিং লাংতক্লবনা তথক্লক্লে; মহাক্লা মমিং লাওখোক্লনা মহুগী ইতিহাস পুম্নমক তম্লগা হায়রকই, "ঐ করিস্থু খাদোকপা ঙম্মোই— শীংফৈ অমা কাওবা থাদোক্লোই। তীনকা-কাকফৈনা ঈ চুপ্পগুম চুপখোকদবনি। ঙসিমক— হৌজিকমক য়ারোইদ্রা?"

চীরম অসিদা নুপা অসিদা খোইনা অমুক হায়মনিংঙ্গাই লৈত্তে। মসিদি মহাক্কী আশানা লাম্না ফংঙমদবতনি।

মহাক্লা মপুক্লিংগী হয়াওজবা অমম্ভুং পামজবা করিগুম্না মওং অমদা নমথরগা হায়রকই, "নিংথৌগী আইন মতুং ইম্না মক্ল ওইনা লুমিং তরেংনিদি মতম চংই। মতম অহুখক্তংদি করিগুম্না মওং অমদা ঈংথহুনা লৈবা তাই। অহুগী মতুংদা তৌনিংবদা তৌ, ঈ থক্লিংলিবমখৈ থকউ, ঐ খাম্লোই।"

"মহ ফরে। অহুবু হৌজিক অদোম লেংবিগ্নো।" অদি হায়রম্নগা মা-শোয়ে মওং অমদা হৌহুনা চেনশিনখ্রে।

অপঙবী নুপীমচা অসিদা নুপা অসিগী মীহৌবগী ভমথৈ লৈত্তে।

অহুনা থৌওইদবা কয়া মহাক্না তুম্মিন্না থাংলক্লিবনি, ভসিন্থু থাংই। থোইদোক্লুহুম, মযুমদা হন্নকপা লম্বীদা ভসি মহাক্না মকালাম্নবা থম্মোয়না হন্না হন্না ব্রাফম অসিমক মশাদা হায়জন্নকই, অমুক চিংনরুনিংঙাই লৈত্রে— মাগী মাই পাকপগী লম্বীদা খুন্নৌ থাংলম্বা অহু নাম্বোকদবা অমুক পংথিন থিন্নরদবা য়াই। থিন্নরোই, ব্রাফম অসি অচুম্বনি।

অহুবু কযাদা থুনা কয়াদা শাথীবা অঙকপসি ঈশ্বরনা মহাক্না মরাইবক্তা তম্বিরম্লি, মসি ভসি খল্লুবা ফাওবা মহাক্না মকমদা ওইথোক্তনা থোকই।

# তরা

শেন্দোলগী দাবী তাল্লকপা চিঠি থুংলরে। চে অদু মথুঙা পাম্নদুনা বা-খিন য়াম্না কুইনা ফুম্নিন্না লৈ।

তশেংনমক মসিমক্তি মহাক্না আশা তৌরমদে হায়বা য়াই, অদুবু ঙকলুবা তৌদে। মতম শেল্লি, য়াম্না থুনা করিগুম্বা মওং অমা শিলহৌবা পাম্মী।

নোংমা মা-শোয়্নেনা শাউদুনা ইবাক মপাবুংনা শেল লান্না শিজিন্নখি হায়না করেম-কথাইনখি, মহাক মরাল লংশিনবা অদুদা মহাক্না য়ারৌক্লবা লৈত্তে, ঙাকপিবস্থ তৌদে। অদুনা মহাক্না মতম নিবগী মমিংদা মঙোন্দা অমুক ঈকাইখা পীক্লবা য়াথলস্থ তৌক্লদে।

অদুবু খল্লিবদি অসিদনি মদুদি, মহাক্কী লৈজন্নিবা থন্না অদু পূল্লপ পীথোক্লুনস্থ মপাবুংনা তোনশিল্লম্বা শেন্দোল অদু শিংবা কোম্নরোইদ্রা হায়বা।

খুঙং অসিদা ঈনাক-খুনবা মহাজন অমা লৈ। মথংগী নুমিংকী অয়ুকমক্তদা চংলগা লৈজবা পুম্নমক ঙম্না য়োম্থোক্লবা মহাক্না লোম্না হায়জক্লরে।

মুপা অহনা পীনিংলিবা অহুনা কোয়মনি হায়বা উরে। শেলকমহু লৌরগা মহাক্না ময়ুমদা পুরক্লে।

অহুবু মী অমনা ময়ম চাদনা থম্মোয় শিকথরকপা উবদা মহাক্কী থম্মোয়-হকচাংদা অম্বুক্কী মতিক তময়থীনা চৈথেং ফংখি হায়বা মশানা খঙজরক্লবা মতম অহুদা মহাক নাগ্রে।

কমদৌনা মহাক অহিং-নুংথিল কয়া লেনখিবগে হায়বা খঙজবা ঙমখিগ্রে। জ্ঞান তারক্লুনা লৌশংতুনা কম্বদা উরে, নুমিং অহুমক মতম থারকপগী অরোইবা নুমিংনি হায়বা।

ঙসি অরোইবা নুমিংনি। মশাগী অচিকপা কাদা কমহুনা মা-শোয়েনা কল্পনাগী লাং লোল্লি।

মহাক মশাগী নাপলদা মতম খুদিংমক্তা তত্তনা চৈথেং ফংলক্লি, অহুগা মীশক অমগী নাপলনা তশেংনা অতিয়া খেংনা য়াংখংগ্রে। য়াংলবা নাপল অহু ঙসি মহাক্কী থুয়া-থাদা হৈদোক-লবগা লোয়ননা মালেমদা তীনগ্রগনি, মসিদা মহাক্না থোইদিং মথার অমা কাওবা চিংনরুবা লৈত্রে।

অসিগুম্বা মতম অসিদা মীনাইনা চংলক্লগা হায়রে, "মথাদা বা-থিম্না ইবেগ্মবু ঙাইরি।"

মা-শোয়েনা মরৌ থাংবা মীনোক্না লোক্লগা হায়রকই, "খঙই।"

মহাক মশামকম্থু মসিমক ঙাইরম্লিবনি।

মা-শোয়েনা মথাদা কুমথহনা লাকপমক্তদা বা-থিন হৌগংতুনা লেপত্রে।

অদুবু মহাক্কী মাইখোংদা য়েংলুবমক্তদা মা-শোয়েগী থম্মোয়দা টাংশোন্না লেংদ্রে।

মহাক শেল পামদে, শেলদা মীহৌবা খুজিল অমা কাওবা মহাক্কী লৈতে, অদুবু অদুগী নামাদা কন্না শাথীবা অত্যাচারগী মশক ওইহনবা ওম্বগে হায়বা ওসি মহাক্না শং শংনা উরে।

বা-থিন্না হান্না বা ওাংলকই, হায়রকই, "ওসি মুমিং তরেংনি অদুগী অয়োইবা চমিংনি, নহাক্কী শেল পুরক্লে।"

ওম্মোকপনি, মীওইবনা শিবা তারবা কাওবা নাপল থাদোকপা পামদে। মদু নংলমত্রবদি, পাউথুম পীবদা মা-শোয়েনা মচিন কাংহনা রা অসি ওাংলমদবা য়াই মহুদি, মহাক্না অচম্বা শেল থরদং পীয়ু হায়খিবা নত্তে— তোল্লিবা শেন্দোলগী শেলকম ওুনা পীয়ু হায়খিবনি।

বা-থিনগী মৈশা লাংলবা মকশিন্নবা মাইখোংদা নোকপগী মমি তারক্লে, হায়রকই, "মহুনি হায়বা য়াই, নহাক্কী শেল ওুনবা পুরক্লবনি!"

"শেল ওুনা? কদায়দগী কংলকপগে?"

"হয়েংমক থঙলকনি। উপু অসিদা শেল য়াউরিবনি, কনাবুনো মশীং থিহনা য়েংহল্লু।"

মতমসিদা গাড়ীৱালানা থোঙজিন মপালদগী মচোন্দা হংলকই, "কয়া কুইনা অমুক পন্থবিথিপদগে ? মুমিং লৈরিঙৈন্দা থোঙপানবা ওমজ্রবদি পেঙুদা অশিং লেক্লবা য়ুমথুংকম কংলোই।"

মা-শোয়েনা মঙক থাঙংতুনা য়েংলকই, লম্বীদা উপু, বেডিং-নচিংবা পোং-চৈ হাপ্লা থণ-গাড়ী লেপতুনা লৈ।

চিংনবনা মিংকুপ্পা মা-শোয়েগী মাইথোং শিম্না কুচু থোক ওনব্রে, পাখংনা অমুক্তদা য়াহং লিশিং লিশিং হংলক্লে, "পেঙুদা কনা চংকদোরিবনো ? তুম্মিম্না লৈরিবা করিগীনো ? নহাক্কী মিং কুংলিবা করিগীনো ? হয়েং করি থঙগদোরিবনো ? ঙসি নহাক্কীনি হায়বা—"

ঙাংনা ঙাংনা মহাক্না মশাবু কাউথোকচবমথে চংলক্কুনা মহাক্কী মথুং পায়রক্লে— অহুগা মিংকুপ্পা মথুং থাদোক্লগা মহাক্কী লাইবক্তা তাপ পায়হনা য়েংলুবদা খংপ্রেক খংক্লে,— "ইঃ, সিদি য়াম্না শাইনা, অহুননি হায়রিবা, মাইথোং অম্বুক হাক্লা মকশিন্নিবা করিগীনো ?"

বা-থিম্না হন্দোক্লগা ঈংনা তপ্পা থোঙ্গেলনা হায়রকই, "কম্মু।"

অসি হায়রগা মহাক্না মশামকম্বু কমথরগা হায়রকই, "ঐ মন্দলেদা যাত্রা তৌরক্লবনি। ঙসি নঙোন্দা ঐগী অরোইবা ওইনা হায়জনিংবদি অসিনি, অকঁবা মীশক য়েংলগা কনাঁগনো

থুনা লুহোংনবা তৌ। মনৌ অন্নুবা লুহোংদবা কেঙমদা মতম কুইনা অমুক লৈখোক্লু। অদুগা ঋা অমগা—"

অসি হায়রগা মহাক্না ডাইহাক অমুক ছুম্মিনা লৈরগা হন্দক্তি অমুকক্নু ওপথনা হায়রকই, "অদুগা পোং অমা নহাক্না মতম চুপ্পনা নিংশিংগদবনি। ঋা অসি মতম পুম্নমক্না কাউরোই-রবনি মদুদি, ঊকাইথিবগী মতৌঙম ওইনক্ষবন্নু হুপী ওইবীশিংগী লৈতেংনি হায়বা ঋাই, অদুবু কা-হেলমল্লবদি—"

মা-শোয়না ওপথবা ঙম্রক্রুহনা ঋা ময়াইদা থংতুনা হায়রকই, "পুম্নমক অদু নোংমা অমুক তারগে। শেল কদায়দগী ফংলক-লিবনো?"

বা-থিন নোক্লক্লে। হায়রকই, "ঋাকম অসি হংলিবা করিগীনো? ঐগী লৈ লৈতে হায়বা নহাক খঙদত্রা?"

"শেল কদায়দগী ফংবগে?"

বা-থিগা শককম হক্তিপ্পুনা ডাইহাক ইক-আক তৌহনা লৈরগা মমৈথংদা হায়রকই, "পাবুংনা তোল্লম্বা শেন্দোল মহাক্কী সম্পত্তি-মক্না শিংদোক্লিবনি— অদু নত্তনা ঐ ইশাগী ওইবা করি লৈবগে?"

"নহাক্কী লৈকোল?"

"মদুদি বাবাগীনি।"

"নহাক্কী লাইরিক ময়াম অদুদি?"

"লাইরিক্না অমুক কৈদৌনক্রুগদগে? অদুগী মথক্তা মদুম্ব মহাক্কীনি।"

মা-শোয়েনা নুংশা মপী অমা হোন্দোক্লগা হায়রকই, "তোক্লসি, মখা তাররুসি। মৌজিক মথক্কা কাখৎলগা হিপক্লনা পোথাবিররো।"

"অহবু ঐ গুসি চৎতবা য়াদবনি।"

"হকচাং গুমদ-গুমদনা চংকদোরিবা? মসিবু নহাক্কা তশেংনা খাজত্রা, নহাকপু কিডম অসিদা ঐনা খাদোকলি হায়বা?"

অসি হায়রগা মা-শোয়েনা মনাক্তা চংশিল্লক্লগা অমুক মথুং পায়ররে।

হন্দক্কি বা-থিয়া গুকচায়না য়েংলকই, মা-শোয়েগী মাই-থোংগী কিডম মিংকুপ অমত্তদা তশেংনা পুমথোং হোংত্রে।

মাইথোং অহুদা হু চেনবা, য়েংথিবা, নিংবা কায়বা, ঈকাইবা, রারৌবা— মমি করিমত্তা তাদে, গুপ্পগী তারিবদি মপাল নাইদবা নুংশিবা অমস্থুং পাংখক নাইদনা নুংশাথিজবগী মমিদনি।

মাইথোং অসিনা বা-থিনবু তশেংনা মত্রনা গুমহংলবগুম ওইকনত্রে।


মহাক মনা-মনিল নাইদনা তপ্পা তপ্পা মা-শোয়েগী মতুং ইন্দুনা মথক্কী তুম্ফম কাদা চংলক্লে।

মহাকপু ফমুংদা হিপহল্লগা মা-শোয়ে মনাক্তা কয়রে, পীরাং থাংলবা মমিং অনিনা মহাকী কাহৎলবা মাইথোংদা য়েংলহুনা

হায়রকই, "নহাক্না খনত্রা, শেল খন্না অহু পুরক্লে হায়গ্নহুনা ঐগী লমন কোক্লে হায়না ? মন্দলেগী ৱাকম থমখো, ঐগী ৱা য়াউদনা মহাক য়ুম অসিদগী মপালদা থোকখিবা ফাওবদা ঐ ছাদ মথক্তগী মথাদা চোংথহুনা আত্মঘাট তৌগনি। ঐঙোন্দা অৱাবা কয়া নংহনপ্রে, অহুবু অৱাবা খাংবা অমুক ওন্নরোই, মসি নঙোন্দা শেংনা হায়জরিবসিনি।"

বা-থিন্না অমুক পাউথুম পীদ্রে। মশাদা শুপ্লিবা ফি চিংখংলগা মুংশা মপী অমা হোন্দোক্লগা মমাই ওস্থোক্লুনা হিপদ্রে।

লেইরবা






# শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী

## রঘুমণিনা হন্দোকপা লাইরিকশিং

১। হল্লকপগী আশাদা

২। স্বামী

৩। ষোড়শী (দেনা-পাওনা)

৪। দর্প-চুর্ণ (নাপল কায়বা)

৫। থাজগ্রবী (দত্তা)

৬। শেষের পরিচয় (অহানব শরুক)

৭। " " (অনিশুবা শরুক)

৮। অনৌবা য়ুম্বাল

৯। অরোইবা রাহং
(শেষ প্রশ্ন) (অহানবা শরুক)

১০। " " (অনিশুবা শরুক)

১১। অনুপমার প্রেম

১২। আঁধারে আলো (অমম্বদা মঙাল)

১৩। পথ-নির্দেশ (লম্বী তাকপা)

১৪। ছবি

১৫। আলো ও ছায়া

১৬। বোঝা (পোৎলুম)

১৭। বিচার

১৮। পথের দাবী (অহানবা শরুক)